ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, দিসেম্বর ৩০, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৭৩শুবা মশীং

# অমিট শাহনা সী এস ওশিংদা

## মণিপুর চাউখৎহন্নবা দিমান্দ কয়াসু য়াওহনবীয়ু হায়রমখিবসি লুম্না লৌহন্নিংই

লমদমসিগী ফজরবা কলচর অমসুং স্পোর্টসকী লমদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না মণিপুরবু শকখঙবীরি। অদুবু অতোপ্পা হীরমশিংনদি মণিপুরবু মালেমদা মশক তাকপা ঙমদ্রি। ঙসিদগী চহী ১০/২০ লোমগী মমাঙদা ষ্টেট অসি লালহৌবগী অকনবা ঈরাং লৈবা মফম অমনি হায়না লাউনরম্বা অদু হৌজিক্তি লালহৌবগী ঈরাং নেমথখ্রে হায়না লৌনরে। হৌজিক্না অমুক ময়াই কাবা দ্রগকী শাফু কন্না পীরক্লিবা মফম অমা ওইরক্লি। মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা শরুক য়াবা ঙম্নবা শু-নোম্বা, মহে-মশিন নীংথিনা তম্বা অমদি লল্লোন-ইতিক্কী লমদা হিদান্নরিঙৈ চৈরক অসিদা মণিপুরদদি ময়াই কাবা দ্রগনা হীরম খূদিংদা চৈথেং পীরক্লি। মসিনা খুন্নাই অসিবু চাউখৎ লমজেলদা শরুক য়াহনবদি লাইরদনা মরোমদোম লেপচবা ফাওবা ঙম্লক্তবগী ফীভম অমদা লাকহল্লকপা য়ারি। লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া ময়াই কাবা দ্রগকী ঈপাক্তা লাইচুদুনা লৈরি। মশাগীতা খনবা খুন্নাইগী খন্দবা মীওই কাঙবু অমনা ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবগী থবক চথরি। মসিদসু নত্তনা কনাগুম্বা খরনা খুন্নাই অসিগী মতিক ময়াই মাঙহন্নবগীদমক ময়াই কাবা দ্রগ অতম্লনা ফংহল্লব্রা হায়বসিসু চিংনদবা ঙমদে। মণিপুরদা ময়াই কাবা দ্রগকী ৱাথোক অসি কয়া য়াম্না লৈরবগে হায়বদু ইচম চম্বা মীওই অমনা খঙদ্রবসু নুমীৎ খূদিংগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ময়াই কাবা দ্রগ হায়বদি এস পি কেপস্যুল, দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট, হিরোইন নম্বর ফোর, ব্রাউন সুগর, ওপিয়মনচিংবা ফারে হায়বসি পাউচেশিংদা থেংনরি। দ্রগনা পীরক্লিবা শাফু অসিনা খুন্নাই অসিবু চাউখৎ মায়কৈদা চঙশিনবদা অচৌবা অপনবা অমা ওইরিবনি।

হীরম কয়াদা শোত্থরিবা ষ্টেট অসিবু মাঙলোমদা পুখৎননবগীদমক লৈঙাক্লসু, মীয়াম্নসু, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু থৌদাং কয়া লৌরিবনি। হৌখিবা দিসেম্বর ২৭তা ইম্ফালদা লাক্লমখিবা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা, মণিপুরবু হেন্না চাউখৎহন্নবা অমদি মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অকনবা মওংদা থবক তৌরি। ইন্দিয়াবু মালেমগী থাক্তা পুখৎলকপা মতমদা নোর্থ ইষ্টপুসু অৱাংবা থাক অমদা পুরকপা হায়বসি লৈঙাকসিগী থৌদাংনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা বি জে পি লৈঙাক্তা থাজবা থম্বীয়ু। সী এস ওশিংগী থাজবা কৈদৌনুংদা মাঙহল্লোই। লমদমসিগী সী এস ওশিংনা লৈঙাক্তা তাল্লিবা দিমান্দশিংগী মনুংদা মণিপুর চাউখৎহন্নবা দিমান্দ কয়াসু য়াওহনবীয়ু। মদুনা মহাক্কী অপেনবা হায়বদু ওইগনি হায়না ফোঙদোক্লমখিবনি। নুমীৎ অসিমক্তদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী সী এস ওশিংগসু তোখায় তেখায়না উনখিবনি। উনখিবা অদুদা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী মায়কৈদগী ইন্দো-নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, কাঙলুপ-ফুরুপ নাইবা মখল অমত্তগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেটঅপ অমত্তা তৌবা য়ারোই হায়বা ৱাফম অমুক্কা হন্না থমখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা স্পেসল ষ্টেটস পীবীননবা তকশিনখিবনি। য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী)গী মায়কৈদগীনা ইন্দো-নাগা পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন অথুবা মতমদা পুবীরকউ। ৱারোইশিন পুরকপগী ফাইনেল এগ্রিমেন্টতা নাগা নেসনল ফ্লেগ অমসুং কনষ্টিট্যুসন শকখঙবীয়ু অমদি নাগা তাবা এরিয়াশিং পুনশিনবগী ৱাফম য়াওহনবীয়ু হায়না তকশিনখিবনি। জেলিয়াংরোং বৌদি মণিপুরনসু মণিপুর, নাগালেন্দ অমসুং অসামদা লৈরিবা জেলিয়াংরোংশিংগী ওইবা তোখায়বা টেরিটোরিএল কাউন্সীল অমা শেম্বীয়ু হায়না তকশিনখি। কুকি ইনপি মণিপুরনা নাগা-কুকি ঈরাংদা এন এস সী এন (আই এম)না হাৎখ্রবা কুকি মীয়ামগী অচুম্বা ৱায়েল পুরক্ত্রিঙৈদা ইন্দো-নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ৱাফম হোম মিনিষ্টরদা থমখিবনি। সী এস ওশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসিদা মণিপুরগী চাউখৎহন্নবগী ৱাফম অমত্তা য়াওদ্রবরা হায়বসি অমিট শাহনা ফোঙদোক্লমখিবা ৱাফম অদুনা মরম ওইরগা হংদবা য়ারক্ত্রে। মরম অদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লমদমসিগী সী এস ওশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিংদা মণিপুর চাউখৎহন্নবা দিমান্দ কয়াসু য়াওহনবীয়ু হায়না ফোঙদোক্লমখিবা অসি চীং অমসুং তমগী সী এস ও খূদিংমক্না তরাইনা লৌবা তৌদনা লুম্না লৌহন্নিংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮

১) মণিপুরী সাহিত্যদা মশেক মঙাল নাইরিবা অইবা অমনা ‘ফাগি ঙাইহাক নোক্লবা পোত্থানবা অয়াংবা মচল ওইবতা নত্তে অচুম্বা অমদি অশেংবা ফোঙদোক্লবা হক্লবা খূৎলায় অমসুনি’ হায়রম্মী। অইবদু কনানো অমসুং মানা হায়রম্মীবসি (য়াওফম) কদাইদনো?

২) দি ফ্লেমিং স্বোর্দ ফোরএবর অনশিদেদ হায়না অহানবা ওইনা ফোঙখিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা করি মমিং কৌদুনা কনানা হন্দোকপগে অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অহানবা ওইনা মণিপুরগী মরমদা মণিপুরীদা (বঙ্গালি ময়েক্তা) ইবা লাইরিকসি করিনি হায়না লৌনবগে, অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙবনো?

৪) মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা পুথোরকপগে? অইবনা কনানো?

৫) “সুন তরঙগী মথক্তা/মৈরাগী মশক কুমনা/ঙান্নশানা লৈরিবী নঙবু/পায়মা ঐনা নুংচঙবী/তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,/পেম্মা নঙবু কনানো?” য়াম্না শীংথানরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা মতেকনি। করি শৈরেংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চাবোকপা লাকশিন্নবা চানবা পিলশিংনা ওভরিঅন অমসুং ইন্দোমেত্রিঅল কেন্সরদগী ঙাকথোকই

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম



অসা জোহেন্সন

চাবোকপা লাকশিনবা (বর্থ কন্ত্রোল) হায়বসি য়ূম্বানমিন্নরিবা নুপা-নুপী অদুনা অনীংবা-অপাম্বগী মতুংইন্না স্পর্ম (পা মরূ) ওভর (পি মরূ) গা পূনশিন্নবা থিংদুনা জাইগোট শেমহন্দবা অদুবুনি। মসিগী থবক অসি থায়না মমাঙঙৈদগী চৎনরক্লবা থৌওং অমনি। খ্বাইদগী লিরবা অনা লায়েংগা মরী লৈনবা লাইরিকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইজিপ্টকী ‘ইবরস পাপিরস’ (১৫৫০ বি সী) তা পা মরূ হাৎননবা হীদাক তৈরবা তাম্পোন অমা শীজিন্নবগী মতাংদা শন্দোক্লা তাক্লি ; অদুগা অরবশিংনা চৎথোক-চৎশিন্দা শীজিন্নগদবা ঊটশিংবু মচা পোকহন্দনবগীদমক্তা ইন্ত্রায়ুতরাইন ফোরিন বোদি খরা চহী লিশাং-শিংনা শীজিন্নরক্লি। হৌজিক, মেদিকেল সাইন্সনা চাওখৎলক্লবা মতমসিদসু, চাবোক লাকশিন্নবগী পাম্বৈ কয়া পুথোরক্লি। মখোয়গী মনুংদা ‘চানবা চাবোক লাকশিন্ননবা পিল’ (ওরেল কন্ত্রাসেপ্তিভ পিল) শিংসু অমনি। হৌজিক শীজিন্নরিবা চাবোকপা লাকশিন্ননবা পিলশিংসি অহানবগী ওইনা ১৯৬০গী মতমদগী শীজিন্নবা হৌরকখি। অসিগুম্বা পিলশিংসিনা চাবোক লাকশিনবদা নত্তনা, ওভরিঅন অমসুং ইন্দোমেত্রিঅল কেন্সরদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসি নৌনা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে হায়রি।

‘কেন্সর রিছর্স’ তা ফোঙদোকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, উপসালা য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন-লূপ অমনা নুপী ২,৫০,০০০দা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদগী চানবা চাবোক লাকশিন্ননবা পিলশিংনা কেন্সরদগী ঙাকথোকপসু ঙম্মী হায়বসি খঙলকখিবনি। কেন্সরদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুনসি পিলশিংদু চাবা লেপখ্রবা মতুং চহী কয়ামুক লৈ। ওভরিঅন অমসুং ইন্দোমেত্রিঅল কেন্সরশিংসি খ্বাইদগী তোইনা নাবা গাইনিকোলোজিকেল কেন্সরশিংগী মনুং চল্লি। ইন্দোমেত্রিঅল কেন্সরনা খজিক্তং হেন্না নাগল্লি অদুবু মসিগী ময়েক শেংলবা সিম্পতমশিং লৈবনিনা, ঙল্লিঙৈগী তাঙ্কক্তা হেক হেক খঙদোকপা ঙম্মী; অদুনা শিবগী চাং হন্থে। অদুম ওইনমক, ওভরিঅন কেন্সরদি খ্বাইদগী হেন্না মী শিহনবা কেন্সরশিংগী মনুংদা অমা ওই মরমদি মসিনা অতোপ্পা হকচাংগী শরুকশিংদা শন্দোকখ্রবা মতুংখক্তদা অয়াম্বনা খঙবা ঙম্মী।

নোংচুপ থংবা য়ুরোপকী নুপীশিংগী চাদা ৮০না মখোয়গী পুন্সিগী মতাং অমদা, চানবা চাবোকপা লাকশিন্নবগী হীদাকশিং চাবা থেংনৈ। অসিগুম্বা হীদাকশিংগী মনুংদা নুপীগী সেক্স হোর্মোনশিংবু খূৎশেমগী পাম্বৈনা পুথোক্লিবা ইষ্ট্রোজেন অমসুং প্রোজেষ্টিন য়াওরি। চানবা চাবোকপা লাকশিন্ননবা হীদাকশিংদা য়াওরিবা ইষ্ট্রোজেন অমসুং প্রোজেষ্টিন ওভুলেসন থিংদুনা মীরোনহন্দে। থিজিনখিবা অসিদা থিজিন-লূপ অসিনা চানবা চাবোকপা লাকশিন্ননবা পিলশিং চাখিবা অমসুং চাখিদবা নুপীশিংগী মরক্তা খোম, ওভরিঅন অমসুং ইন্দোমেত্রিঅলগী কেন্সরশিং নাবগী মতাংদা চাংদম্নদুনা য়েংখি। অসুম্না য়েংশিনখিবা অসিদা, চানবা চাবোকপা লাকশিন্ননবা পিলশিং চাখিবা নুপীশিংদা ওভরিঅন অমসুং ইন্দোমেত্রিঅল কেন্সর ওইরকপা য়াবগী খুদোংথীবসি নেম্না লৈবা থেংনখি। হীদাকশিং চাবা লেপ্লবা মতুং চহী তরামঙাগী মতুংদা খুদোংথীবগী চাং হন্থরকপসি চাদা ৫০মুক ওইরকখি। অদুগা খুদোংথীবগী চাং হন্থবসি হীদাক লেপ্লবা মতুং চহী ৩০-৩৫ ফাওবা লৈবা থেংনখি হায়না উপসালা য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্ম্যুনোলোজি, জীনেটিক্স এন্দ পেথোলোজিগী ‘অসা জোহেন্সন’ না ফোঙদোক্লি।

অদুম ওইনমক, চানবা চাবোকপা লাকশিন্ননবা হীদাকশিং চারিঙৈ মনুংদা খোমগী কেন্সর নারকপা য়াবগী খুদোংথীবসি হেনগৎখি। অদুবু ঙক্লিবদি, চারিঙৈ মনুংদা খোমগী কেন্সর নারকপা য়াবগী চাং খরা হেনগৎচরবসু, পিলশিংদু চাবা লেপ্লবা মতুং চহী খরা লৈরগদি খুদোংথীনীংঙাই ওইরক্তবা থেংনখি হায়না জোহেন্সননা মখা তানা ফোঙদোক্লি। পিলশিং চাবা অমসুং চাদবা নুপীশিংগী মরক্তা, অতেনবা মতম খরগী ওইনা খোমগী কেন্সর নারকপা য়াবগী চাংসি চাবশিংদা খরা হেনগৎলম্লবসু, পুন্সি চূপ্পগী ওইনা য়েংলুরবদি নুপী কাঙলূপ অনীসিদা খেন্নবা লৈবা ইথেং থেংনদে হায়রি।

থিজিনবা অসিদগী ফংলক্লিবা মহয় অসি য়াম্নমক মরু ওই মরমদি চানবা চাবোকপা লাকশিন্ননবা পিলশিং চাবনা খোমগী কেন্সর অমসুং দীপ ভেইন থ্রোম্বোসিসকুম্বা লায়নাশিং থোকহল্লি হায়না অয়াম্বা মীশিংনা থাজনৈ। অদুবু অসিগুম্বা পিলশিংনা মীরোনবা থিংবগী মথক্তা, পোজিটিভ ইফেক্ট কয়ামুকসু লৈ হায়রি। অদুনা নুপীশিং অমসুং ফিজিসিয়নশিংনা চাবোকপা লাকশিনবা পিলশিং চাবদা হেন্না মীৎয়েং চঙবা য়াই হায়না জোহেনঙ্সননা ৱারোইশিন পীরি। ●

# অমষ্টরদাম ১৯২৮ # ৩

- লৈশাংথেম অজিৎ -

মিটর ৮০০গী লমজেলদা মালেমগী রেকোর্দ মথং-মথং অহুম্লক থুগায়খিবা জর্ম্মনিগী ডা. ওত্তো-পেল্টজর, অমেরিকাগী লোয়দ-হান অমসুং ফ্রান্সকী সেরাফীন-মার্টিন য়াওরি। মদুগীসু মথক্তা বৃটেনগী মচিন তুমখৎলক্লিবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন দাওগ্লাস-লো মখোয় অহুমগা লম্বা তৌনগদবগী শেম শারি। কুমজা ১৯১৬কী জুলাই ৩দা ডা. ওত্তো-পলটজরনা মহাকপু লন্দন্দা মায়থীবা পীদুনা মালেমগী রেকোর্দসু থুগায়রম্মী। চহী অনী লৈরগা কুমজা ১৯২৮গী জুলাই ৭তা লোয়দ-হাননা রেকোর্দ অসি অমুক থুগায়খি, নুমিৎ তরেৎনিগী মতুংদা সেরাফিন মার্টিন্না রেকোর্দ অসি অমুক নৌহনখি।

জুলাই ৩১দা মিটর ৮০০গী ফাইনেল পাঙথোক্লম্মী। ডা. ওত্তো-পলটজর নাদুনা সেমীফাইনেলদা লৈহৌরে। লমজেল হেক থাবদগী অমেরিকাগী লোয়দ-হান, বৃটেনগী দাগ্লস-লো অমসুং কানাদাগী এদৱার্দনা মথং-মনাও নাইনা চেল্লম্মী, দাগ্লসনা মহাক্কী য়েত্তা চেল্লিবা এদৱার্দপু মমাঙদা হাইজিল্লক্তনবা কন্না শেন্নরম্মী। মিটর ৬৫০ ফাওবা ফীভম অসি কায়দনা লোয়দ-হান্না মাঙ থারম্বদগী অরোইবগী মিটর ১৫০ খক্তং ঙাইরবদা খোঙজেল কনখৎলক্তুনা লোয়দ-হানবু হেঙ্গৎতুনা দাগ্লস-লোনা লমথুংফম ইহান হান্না মিনট ১গা সেকেন্দ ৫১.৮দা য়ৌখি। মসি ওলিম্পিক্কী অনৌবা রেকোর্দনি। মহাক্কী মতুংদা স্বিদেনগী ইরিক-বাইলেহন অমসুং জর্ম্মনিগী হরমেন-ইঙ্গলহার্দ মথংশিংনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

ডাক্তর ওত্তো-পেল্টজর মনা অমত্তা ফংহৌদবা অদুদা নুংঙাইত্রদুনা জর্ম্মন মচাশিংনা থা অমরোমগী মতুংদা দাগ্লসপু বর্লিন্দা পেল্টজরগা লমজেল তান্নবা চেবাউ পীরম্মী। অসুম্না শিংনরকপা অসিদা দাগ্লসনা য়ারম্মী অমসুং লমজেল অদুদা মহাক্না পেল্টজরবু খজিক্তমক হেন্দুনা মায়থীবা পীখি। মসিনা দাগ্লসকী অরোইবা লমজেলনি। মতুংদা মহাক লমজেল অমুক চেনখিদ্রে।

ডা. ওত্তো-পেল্টজর মিটর ১৫০০ অমসুং মাইল অমগী লমজেলদা মতম কুইনা মালেমগী রেকোর্দ পায়রম্মী। মহাকপু ইন্দিয়া লৈঙাক্না কৌদুনা লৈবাক অসিগী এথলেটিক্কী ওজা (কোচ) মতম কুইনা ওইহল্লম্মী।

পেরিস সহরদা মোটোর-মেকানিক্স ওইনা থবক তৌদুনা লৈবা আরব অলজেরিয়া মচা বোওঘেরা-এল-ক্বাফি কৌবা অমনা ফ্রান্সকী মহুৎ শিন্দুনা পুং ২ মিনট ৩২ সেকেন্দ ৫৭তা মরাথন লমজেল থোইখি। মহাক্না নক্লবা লম্বা চিলিগী পাউচে য়োনবা মিপুরেল-প্লাজাদগী মিটর ১৫০ হেনখি। এল-ক্বাফি ফ্রান্সকী কোলোনিয়েল আর্মিদা থবক তৌরম্মী। মরম অদুনা মহাক থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা পেরিসতা থবক তৌদুনা লৈখি। মহাক মপুন্সিগী অরোইবা শরুক্তা শেল থোক্তবগী অৱাবা কয়া নংখি। মহাক কুমজা ১৯৫৯গী ওক্টোবর ১৮দা মশাগী চহী ৬০শুবদা লৈখিদে।

মিটর ১১০গী হর্দলসতা খা অফ্রিকাগী সিদ-এটকিনসন্না মকোক ওইখি। মিটর ৪০০গী হর্দলসতা ইংলেন্দগী Marquess of Exeter ওইরিবা লোর্দ-ব্রাওনলো-সেসিল-বর্ঘলীনা সেকেন্দ ৫৩.২দা চেন্দুনা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দকা লোয়ননা সনাগী মেদল ফংখি। লোর্দ-বর্ঘলী ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং আটলান্টিক মহাসাগরদা লৈবা বর্মুদা ঈথৎকী গভর্ণর হাপখি।

পোলভোল্ট অমসুং লোঙজম্পতা অমেরিকা মচাশিংনা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ থুগায়রম্মী। লৈবাক অসিগী সেবিন কারনা মিটর ৪.২০ (ফুট ১৩ ইঞ্চি৯%) পোলভোল্টদা চোঙদুনা রেকোর্দ অসি থুগায়খিবনি। মহাক্না ১৯২৭কী মে ২৭তা মালেমদা ফুট ১৪ চোঙবা ঙম্বা অহানবা নুপা ওইখি। থৌরম অদুদা অমেরিকাগী William Droegemuller অমসুং চালর্স-মেকগিনিসনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি। লোঙজম্পতা য়ু এস এগী এদৱার্দ-বি-হেম্মনা হায়টি ঈথৎকী সিলভিও-কেটরদগী সেন্টিমিটর ১৫ হেন্দুনা সনাগী মেদল লৌখি অদুবু সিলভিও-কেটরনা লুপাগী মেদল অমা পুখিদুনা কেরিবিয়ান সমুদ্রগী ঈমাইদা লৈবা থাপ্লবা হায়টি ঈথৎ তান্না চাউথোক্লা হনখি। হায়টি ঈথৎকীদমক মতোমখক্তং অমষ্টরদামদা শরুক য়াখিবা সিলভিও-কেভরনা মথং থাগী সেপ্টেম্বর ৯দা মালেমদা ফুট ২৬ শান্না চোঙবা ঙম্বা অহানবা নুপা ওইদুনা মরৈবাক্কী মিংচৎ হেঙ্গৎহনখি।

ত্রিপল-জম্পতা জপানগী মিকিও-ওদানা মকোক ওইদুনা ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংবা অহানবা এসিয়া মচা ওইখি। থৌদোক অসি এসিয়া মহাদেশকী শান্নবগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈখ্রবা মতম পূম্বদা নীংশিংদুনা লৈরগদবনি। মহাকপু ইকায়খুম্নবা ওইনা চহী ৩৬কী মতুং কুমজা ১৯৬৪দা টোকিওদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী ষ্টেদিয়মদা চিংখৎখিবা ওলিম্পিক্কী ফিরাল অদুগী চৈখোক অদু মিটর ১৫.২১ ৱাংলম্মী। মসি মহাক্না অমষ্টরদমদা চোঙখিবা ত্রিপল-জম্প অদুগী অরাপ্পনি।

কুমজা ১৯২৪ গেমসকী হায়জম্প চেম্পিয়ন হেরোলদ-ওসর্বোন ওলিম্পিক অদুদা অমুক হন্না সনাগী মেদল ফংনবা শরুক য়ারম্মী। মালেমগী হায়জম্প রেকোর্দ মহাক্কী মমিংদা মিটর ২.০৩দা লৈ। অদুবু লাইবক লৈতবদগী মহাক্না থানা মীওই মঙা মিটর ১.৯১ চোঙলবা মতুংদা মিটর ১.৯৪ লাম্থোকপা ঙমখিদে। অমেরিকাগী রোবর্ট-কিংখক্তমক মিটর ১.৯৪ লাম্থোকপা ঙমদুনা অহানবা মনা লৌখি। অৱাংবা অসি লাম্থোকপা ঙমদবা নুপা মঙা ‘জম্প-ওফ’ তৌনবদা হেরোলদ-ওসবোর্ননা মমৈদা লাকখি। মরম অদুনা মহাক তরুকশুবা পোজিসন ফংখি। থৌরম অদুদা ত্রিপল-জম্পতা মকোক ওইখিবা মিকিও-ওদানা মিটর ১.৮৮ চোঙদুনা তরেৎশুবা পোজিসন তাখি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অনৌবা কুমজা ২০২১ কোভিদ-১৯ অমসুং গাড়ী এক্সিদেন্টনা ওক্কদৌরিব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মালেম শিনবা থুংনা শন্দোক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা খম থেংনা ৱানরবা তাঞ্জা অসিদা অনৌবা কুমজা ২০২১ য়ৌরক্কদৌরে। হরাওবা পাম্বা মণিপুরী ফুরুপনি। ইশাগী চেকশিন থৌরাংদি চাদা ১০মুক ঙাক্কনি অদুগা চাদা ৯০না এস ও পিগী কাঙলোন ঙাক্লোই। মসি ঐখোয়গী হৈনবীনি। লূ-তোংদা য়াওখ্রবা তৌগনু হায়বা থবক্তা হেন্না পাম্বা ফুরুপনি। পিকনিক চৎপা, ঈশৈ নোংমাই, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা কয়ানা অনৌবা কুমজা ২০২১ হৌবা নুমিৎকী থৌরম ওইগদৌরিবনি। লম্বীদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা কাঙবু খরদি মোঙফমগী লম্বী য়াৎকদৌরিবনি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা মণিপুর ত্রাফিক পুলিসকী অচৌবা থৌদাং লৈ।

অনৌবা কুমজা ২০২১দা মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না লৈঙাক্কা লোয়ননা খূৎশম্ননা চৎমিন্নহন্নীংই। থবক লৌবদা শেঞ্জা থুমজা লৈতবা মণিপুর লৈঙাক অমা ওইহন্নীংই নৎত্রবদি ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়া অরানবা লম্বীদা চৎখিগনি। চুম্না করপসন লিংদনা থবক খল্লবদি অচুম্বা খরমখৈদি তৌরক্কনি নীংজৈ। কুমজা ২০২০গী অৱাবা চৈথেং লাপ্না চৎখ্রো, অনৌবা মণিপুর অমা শেম্লসি। মীদিয়াদা তারিবা খুন্নাইগী মীংশেল তরু তনান্নবা ওইহল্লসি। অনৌবা কুমজা ২০২১গী অনৌবা ৱাখল, চাওখৎপা মণিপুর অমগী মঙলান মঙমিন্নরসি।

*অদোমগী - পুয়াম অচৌ খুমনচা, সিখোং বজার*

## রিং রোদ অথুবা মতমদা শেম্বীদুনা ত্রাফিক জামগী অৱাবা কোকহনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইম্ফাল মনুংদা ত্রাফিক জাম হায়বা ৱাহৈ অসি অঙাং মচাদগী হৌরগা নহা অহল খাক্তনা লোইনা খঙনরবা ৱাফমনি। ত্রাফিক জাম খ্বাইদগী হেন্না থোকপা মতমনা অয়ূক পুং ৯.৩০দগী হৌরগা পুং ১১.৩০ ফাওবনি। নুংথিলগীনা পুং ৩দগী হৌরগা পুং ৬.৩০ ফাওবনি। অতৈ লুহোংবা পন্থা অমদি প্রোসেসন চৎনবা মতমদনা কা হেন্না অমুক থোকই।

ত্রাফিক জাম থোক্তনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মতম মতমগী ওইনা লম্বী পাকথোকপা অমদি ফ্লাই ওভর ব্রিদজ শাবা অমদি ফুট পাথ ব্রিদজনচিংবা কয়া অমা শেমগৎলক্লি। অদুবু ত্রাফিক জামদি কোকপা শুকলৈ লৈতে। নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। কনাগুম্বনা হায়নৈ, ইম্ফালগী মরু ওইবা মী য়াম্না কুংবা মফমশিং টাটা, বস অমদি ওটো রিক্সো চঙহন্দ্রবদি ত্রাফিক জাম ফগনি হায়না। কনাগুম্বা খরনা হায়নৈ, ফ্লাই ওভর ব্রিদজ অসি ইম্ফালগী মী অচিনবা মফমশিং য়েংলগা মশীং হেন্না থল্লবদি ত্রাফিক জাম কোকহনগনি হায়না।

ত্রাফিক জাম থোকপনা খ্বাইদগী নুংঙাইহন্দবসি অথুবা অমা লাকপা মতমদা চৎপা য়াদদুনা পন্দুনা লৈবা অসিনি। মরু ওইনা এগজামিনেসন চৎপা, খুদক্কী ওইনা হোস্পিটালদা অনাবা পুখৎলকপদা অমদি উৎসবকী চাক-এঞ্জাং ওর্দর তৌখ্রগা মতম চানা য়ৌরকপা ঙমদবা, হায়বগী লোইবা নাইবা নত্তে মীয়ামদা ত্রাফিক জামনা ৱাহনবসি। ত্রাফিক জাম থোকপনা মতম মাঙহনবগী মথক্তা শেল য়াম্না তিংহনবগা লোয়ননা হকচাংসু শোকহল্লি।

ত্রাফিক জাম থোক্তনবা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা তৌদবা য়াদবা থবক্তি, গভর্ণমেন্টনা হান্নসু শেমগৎকনি হায়দুনা থৌরাং তৌদুনা লৈরিবা ইম্ফাল রিং রোদ অসি নত্তনা অতৈ পাম্বৈ অমত্তা লৈতে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। খ্বাইদগী হেন্না লম্বী চিলহনলিবসি, মখাদগী লাকপা মীনা অৱাংদা চৎপা মতমদা ইম্ফাল ময়ায় চবুক ফাওদুনা চৎলি। মমাঙদা লৈবা মীনা মনিং চৎপা মতমদসু ইম্ফাল ময়ায় চবুক ফাওদুনা চৎলি। মসিগী মথক্তা নেসনল হায়ৱেশিংসু ইম্ফাল ময়ায় ফাওদুনা অদুম চৎলি। করিগুম্বা রিং রোদ অসি শেমগৎলক্লবদি রিং রোদকী অপাকপা লম্বী অদুদা নেসনল হায়ৱে, বস, টাটা অমদি প্রোসেসন্নচিংবা কয়া অদু চৎহনখিবদা ইম্ফাল মনুং পুমকোম কোমগনি। মসিগী মথক্তা ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা স্কুল, কোলেজ অমদি লৈঙাক্কী ওফিসশিং অসি রিং রোদকী মপানশিংদা মফম চাবা য়েংলগা হোংদোকহনখ্রবদি অমুক্কা হেন্না কোম্লগনি।

মরম কয়া অসিনা গভর্ণমেন্ট অমদি সী এস ওশিংনা নৈনবীরগা ইম্ফাল রিং রোদ অথুবা মতমদা শেম্বীরগদি ত্রাফিক জামগী অৱাবা কোক্লগনি খঞ্জৈ। লোয়ননা হেন্না চাওখৎপা মণিপুরী খুন্নাই অমসু ওইরগনি।

*অদোমগী - রোমিও য়ূম্নাম*
*টোপ অৱাং লৈকায়, পোং রোদ*